# সেন্টরনা অয়াবা পীবগা মেকেদাতু প্রোজেক্ট পায়খৎলগনি : কর্নাটকা সী এম বোম্মাই



বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): সেন্টরনা অয়াবা পীবগা কর্নাটকানা মেকেদাতু প্রোজেক্ট পায়খৎলগনি হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর বাসাভারাজ বোম্মাইনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

টামিল নাদুগী বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট কে অন্নামালাইনা মেকেদাতু বেলেন্সিং রিজার্ভর প্রোজেক্ট পায়খৎপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মেকেদাতু প্রোজেক্টকী মায়োক্তা লৈরিবসি ইস্যু অসিদা পোলিটিক্স তৌনবা হোৎনবনি।

বিধান সভাদা ওফিসলশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা বোম্মাইনা হায়খি, মেকেদাতু প্রোজেক্টকী মতাংদা মন্ত্রিক্লবগী ৱাফম লৈরোই। প্রোজেক্ট অসি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীবগা পায়খৎকনি। প্রোজেক্ট অসিগী মায়োক্তা টামিল নাদুদা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিং অদু পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌবা য়ানবনি।

বোম্মাইনা মখা তানা হায়খি, ঈশিং ফংলক্তবা মতমদা প্রোজেক্ট অসিনা ষ্টেট অনীমক্তা কান্নহনগনি।

ঐখোয়না দিটেল্ড প্রোজেক্ট রিপোর্ট (দি পি আর) অমা শেমদুনা হন্দক্তা জল শক্তি মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহ শেখৱাততা পীশিনখ্রে। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা দি পি আর অদু এপ্রুভ তৌরক্কনি হায়না ঐহাক্না থাজে। সেন্টরনা অয়াবা পীরক্লবা মতুং প্রোজেক্ট অসি থুনা পায়খৎলগনি। কনাগুম্বনা প্রোজেক্ট অসিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরবসু ঐখোয়না মদু লুনা লৌরোই। মসিদা মন্ত্রিক্লবগী ৱাফম লৈরোই, প্রোজেক্ট অসিগী থবক হৌগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

প্রোপোজ তৌরিবা মেকেদাতু রিজার্ভর প্রোজেক্ট অসি রামানগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না কবেরি তুরেল অমসুং মসিগী মশা আর্কাভাতিগী তাইনফমদা পায়খৎকদবনি।

কর্নাটকাগী কবেরি নীরাভারি নিগম লিমিটেদনা পীবা মেকেদাতু বেলেন্সিং রিজার্ভর দ্রিঙ্কিং ৱাটর প্রোজেক্টকী প্রি-ফিজিবিলিটি রিপোর্ট মতুং ইন্না মেকেদাতু প্রোজেক্টনা পাৱর পুথোকপগী ৱাফম অসি ১৯৪৮-দগী খন্নদুনা লাকখি।

অদুম ওইনমক প্রোজেক্ট অসি কুমজা ২০১৩দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর সিদারামাইয়ানা লুচিংবা কর্নাটকা গভর্ণমেন্টনা য়াখিবগা লোয়ননা পায়খৎনবা অমুক হন্না হোৎনরকখি। প্লান অসিগী মতুং ইন্না, রিজার্ভর অদুগী ঈশিংগী কেপাসিটি টি এম সী এফ টি ৬৭ রোম ওইগনি অমসুং মদুনা বেঙ্গলুরু অমসুং থংনবা এরিয়াশিংদা থক্লবা ঈশিং ফংহনগনি। প্রোজেক্ট অসিদা পাৱর মেগাৱাট ৪০০ পুথোকপগী ৱাফমসু য়াওরি।

# মধ্য প্রদেশকী হোম মিনিষ্টর ঈচাউনা শোক্লবা খুঙ্গংদগী হেলিকোপ্টরনা রেস্ক্যু তৌখ্রে

ভোপাল, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): ঈশিং ঈচাউনা শোক্লবা মধ্য প্রদেশকী খুঙ্গং অমদা য়েংশিনবা চৎপদা থোক্লকপা য়াদদুনা ষ্টেট অসিগী হোম মিনিষ্টর নারোটাম মিশ্রা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ)কী হেলিকোপ্টর অমনা রেস্ক্যু তৌখ্রে।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং-ঈচাউ থোক্লবা দাটিয়া দিষ্ট্রিক্টকী ফিভম হোম মিনিষ্টরনা য়েংশিনবা চৎখিবনি। এজেন্সীগী পাউ মতুং ইন্না, মিনিষ্টর মিশ্রানা ঈচাউ নংলবা কোত্রা খুঙ্গংগী ফিভম য়েংশিনবদা তোংখিবা ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী হি অদু মফমদুগী মীওইশিং হোন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈদা খঙহৌদনা তেকথরকপা উ অমনা ননশিল্লকপদগী বেরা তৌরকখি।

হৌখিবা নোংমা-নীনি নোং লেপ্তুনা চুবদগী মধ্য-প্রদেশকী মফম কয়াদা শাথিবা মওংদা ঈশিং-ঈচাউ থোকখি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, ষ্টেট অসিগী খুঙ্গং ১,২৫০ হেন্না ঈচাউ থোকখি। হৌজিক ফাওবদা দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ওফিসলশিংনা মীওই ৬০০০ হেন্না হোন্দোকখ্রবসু ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীওই ২,০০০ হেন্না ঈশিংনা কোয়শিনখিদুনা পন্দূনা লৈনরি।

ইন্দিয়ন আর্মি, এস দি আর এফ, বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) অমসুং নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স (এন দি আর এফ)না লুচিংদুনা মফম কয়াদা রেস্ক্যু অমসুং রিলিফ ওপরেসনশিং চখৎরি।

মধ্য প্রদেশকী হোম মিনিষ্টর নারেতন মিশ্রা য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা দাটিয়া দিষ্ট্রিক্টকী ঈশিং থূল্লবা কোত্রা ভিলেজ য়েংশিনখি। গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমগী মতুং ইন্না, ঈচাউনা শোক্লবা লমদম অদুদা মীচম খরা য়ুম অমগী য়ুমথক্তগী হোন্দোকপা য়াদনা পন্দূনা লৈরে হায়বা পাউ মিনিষ্টর অসিনা ফংখি। অদুম ওইনমক মফমদু য়ৌগদৌরিবা হি অদু খঙহৌদনা উ পাম্বী অমনা ননবদগী বেরা তৌদুনা চেনবা লেপখি।

খুদোংথীবা ফিভম মায়োক্লরক্লবা মিশ্রানা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংদা মেসেজ থাদুনা মতেং পাংনবা হায়খি। আই এ এফকী হেলিকোপ্তর অমা মফমদুদা পায়শিনখি অমসুং মিনিষ্টর অদুগা লোয়ননা মীওই মাপল রেস্ক্যু তৌখি।



## কম্মিসন লিংবগী বিল পাস তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): নেসনল কেপিটেল রিজন অমসুং অকোয়বা এরিয়াশিংদা এয়র ক্বালিটি মেনেজমেন্টকী ওইবা কম্মিসন অমা লিংনবা লোক সভানা বিল অমা পাস তৌখ্রে। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাস তৌখিবা বিল অদুনা এয়র ক্বালিটি ইন্দেক্সকা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং খঙদোকপগা লোয়ননা থিজিন্দুনা অসিগুম্বা প্রোব্লেমশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা কম্মিসন অসি শেমহনগদৌরিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ ভুপেন্দর য়াদবনা লোক সভাদা চরাঙনবা মরক্তা বিল অদু ভোট লৌননবগীদমক্তা পুথোক্লদুনা হায়খি, কম্মিসন অসিদা এদমিনিষ্ট্রেটিব অমসুং ইনভাইরনমেন্টেল এক্সপার্টশিং য়াওগনি। দেল্লী-এন সী আর রিজনগী অকোয়বদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংসু প্রোসেস অসিদা য়াওরক্কনি।

## লমগী ৱাহৌদগী নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৬ শিরে

পটনা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): বিহারগী নলন্দাদা লমগী ৱাহৌদগী নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৬ শিখ্রে।

থৌদোক অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চবিলাপুর পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লোধিপুর ভিলেজদা থোকখিবনি। মীওই মঙা খুদক্তা থৌদোক থোকফমদা শিখি অমসুং থৌদোক অদুদা ফিভম লুনা শোকখিবা বিমলা য়াদব কৌবী নুপী অমনা হোস্পিটালদা শগোলশেন নুমিৎতা শিখি।

থৌদোক অদু মহেন্দর য়াদব অমসুং পরসুরাম য়াদব কৌবা মচিন-মনাও থোকপা অনীগী মরক্তা লৈবা লমগী য়েৎনবা অমনা মরম ওইদুনা থোকখিবনি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুংগী মীওই অমা ওইরিবা রোহিট কুমারনা হায়খি, পরসুরাম য়াদব, লালু য়াদব, গুদু য়াদব অমসুং অতৈ খুৎলাই পায়বা মীওই ৩০ হেনবনা য়েৎনরিবা বিঘা ৫০গী লম পায়শিন্নবা হোৎনখি।

কুমারনা মখা তানা হায়খি, লম য়েৎনবগী মতাংদা কোর্টতা কেস অমা লৈরি। মখোয় য়েৎনরিবা মফমদুদা য়ৌখ্রে হায়বা তাবদগী ঐখোয়সু মফমদুদা চৎখি অমসুং মখোয়দা ওবজেক্সন তৌখি। মখোয় লম অদু নম্ফুদা পায়শিন্নবা লাকখিবনি। নাকল অনীগী মরক্তা য়েৎনরকখি। খঙহৌদনা গুদু য়াদবনা মহাক্কী মীওইশিংদা ঐখোয়দা নোংমৈ কাপ্লবা হায়খি। ঐখোয়গী ইমুংগী মীওই মঙা- মহেন্দ্র য়াদব, পিন্তু য়াদব, য়াদু য়াদব, ধিরেন্দ্র য়াদব অমসুং মাধেশ য়াদব থৌদোক থোকফমদা শিখি। বিমলা য়াদবনা হোস্পিটালদা শিখি।

উংখৎনবা ফিভম লৈবদগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা খুঙ্গং অদুদা পুলিস অমসুং আর এ এফ পর্সনেল মশিং য়াম্না দিপ্লোই তৌখ্রে।

নলন্দা দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস শ্রী হরি প্রসাথনা হায়, থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা এক্যুজশিং মশক খঙলে। মখোয় লোৎখ্রে। মখোয়বু ফানবা হোৎনরি।

## ঈচাউগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা বেঙ্গল অমসুং এম পিগী সী এমশিংগা ৱারী শানখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরগা ফোন তৌনদুনা ষ্টেট অনীগী ঈচাউগী ফিভমগী মতাংদা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা সেন্টরগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

বেঙ্গলগী মফম খরদা দামশিংদগী হাদোরকপা ঈশিংনা থোকহল্লিবা ঈচাউগী ফিভম প্রাইম মিনিষ্টরনা বেনর্জিগা ৱারী শানদুনা খন্নখি।

ত্বিট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিস (পি এম ও)না হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরগা ষ্টেট অসিগী ঈচাউগী ফিভম খন্নখ্রে। ঈচাউনা থোকহল্লিবা অৱাবশিং কোক্লবা সেন্টরনা পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা থাজবা পীখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চৌহানগসু ৱারী শানখি অমসুং ষ্টেট অসিগী ঈচাউগী ফিভম রিভিয়ু তৌখি।

ত্বিট অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, নোং কন্না চুবদগী মফম কয়াদা ঈচাউ থোক্তুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা মধ্য প্রদেশকী মীয়ামদা মতেং পাংনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা থবক তৌমিন্নরি।

## এল ঈ এম কন্সপিরেসি কেসতা টেররিষ্ট ৬কী মায়োক্তা চার্জ শিট ফাইল তৌখ্রে

শ্রীনগর, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): লাস্কর-ঈ-মুস্তাফা (এল ঈ এম) কন্সপিরেসি কেসকী মতাংদা থিজিনবগা মরী লৈননা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না চার্জ শিট অমা ফাইল তৌরে হায়না এজেন্সী অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এন আই এগী স্পোক্সমেন অমনা হায়, এন্টি-টেরর প্রোব এজেন্সী অসিনা জে এন কেগী সোফিয়ানদগী হিদায়াট উল্লা মালিক, বসরীত-উল-এইন অমসুং মুদাবির মঞ্জুর, অনন্টনাগতগী জান মোহম্মদ তীলি অমসুং বিহারগী চাপ্রাদগী মুস্তাক অলম অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা জাৱেদ অলমগী মায়োক্তা চার্জ শিট অমা ফাইল তৌরে।

হান্না চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৬তা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অসি ফ্রন্টেল টেরর ওর্গনাইজেসন এল ঈ এম অমসুং মসিগী চীফনা লৌতুনখিবা অমগা মরী লৈনৈ। পাকিষ্টানদা বেজ ওইবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন জাইশ-ঈ-মোহম্মদ (জে ঈ এম)না জম্মু এরিয়াদা টেররিষ্ট এক্টিভিটিশিং চখৎনবা হায়রকপদগী মালিকনা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোভালগী ওফিস ফাওবা কুপ্না য়েংশিনখি। ইনভেষ্টিগেসনদা মালিক অমসুং লৌতুনবদা য়াওবা অতৈ টেররিষ্টশিংনা জম্মুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকি-অখং পোকহনবগী থবকশিং চখৎনবা থৌরাং তৌখি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

অনৌবা আউটফিট অসি জে ঈ এমগী মীওইশিংনা শেমখিবনি। মরু ওইনা কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী ১৪দা পুলৱামাদা সী আর পি এফ কনভোই অমদা এটেক তৌখিবা মতুংদা জে ঈ এমদা মালেম্না পীরকখিবা প্রেসর কোমথোক্নবগীদমক্তা অনৌবা আউটফিট অসি শেমখিবনি।

## ফোরেক্স ভাইওলেসন কেসতা ফ্লিপকার্টতা নোটিস থাখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): ফোরেক্স এক্সচেঞ্জ ভাইওলেসন কেসকা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ঈ দি)না ফ্লিপকার্ট অমসুং মসিগী দিরেক্তরশিং অমসুং অতৈ মীওই মাপলদা নোটিসশিং থাখ্রে।

প্রোব অদুগা মরী লৈনবা ঈ দিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা খোঙথাং অসিবু কনফার্ম তৌখি। অদুম ওইনমক নোটিস থাখিবা মীওইশিং অদুগী অকুপ্পশিংদি মহাক্না ফোঙদোকখিদে।

ফাইনান্সিএল প্রোব এজেন্সী অসিগী সোর্সশিংগী মতুংইন্না নোটিস অদুদা মখোয় ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট গেটশিং ভাইওলেট তৌবগী দোল্লর বিল্লিয়ন ১.৩৫গী পেনালটি করিগী মায়োক্লরোইদগে হায়না হংবগা লোয়ননা ৱাফম অসিগী এক্সপ্লেনেসন পীনবা হায়খি।

সোর্স অসিনা মখা তানা হায়, ফ্লিপকার্ট অমসুং মসিগী অতৈ হেন্দলিং ফার্মশিংনা কুমজা ২০০৯ অমসুং কুমজা ২০১৫গী মরক্তা মপানগী ইনভেষ্টরশিংবু শেল থাদহন্নবা হোৎনবদা ফোরেন এক্সচেঞ্জ মেনেজমেন্ট এক্ট (এফ ঈ এম এ) ভাইওলেট তৌখি।

ঈ দিগী মতুং ইন্না, কষ্টমরশিংনা ট্রাঞ্জেক্সন তৌনবা কুমজা ২০০৯দা ইনকোর্পোরেট তৌখিবা ফার্ম অমা ওইরিবা দব্লিউ এস রিটেলনা কুমজা ২০০৮দা ইনকোর্পোরেট তৌখিবা ফ্লিপকার্ট ওনলাইন সর্ভিসেসকী রিটেল ওপরেসনগা মরী লৈনবা ফ্রন্ট অমা ওইনা থবক তৌখি।

আর বি আইনা ইস্যু অসি পুখৎলকপদগী ঈ দিনা ইনভেষ্টিগেসন হৌখিবনি।

## মরক্কী মীখলদা মায় পাক্লবা লুপা ক্রোর ১৫০ চাদিং তৌখ্রে

হাইদ্রবাদ, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): হুজুরাবাদ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বাই ইলেক্সনদা মায় পাক্লবা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর ১৫০ চাদিং তৌখ্রে হায়না টেলঙ্গনাগী হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং বি জে পিগী লুচিংবা ইতালা রাজেন্দরনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পাংথোক্কদৌরিবা বাই-ইলেক্সনদা রুলিং টেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিথিনা মায় পাক্লবা চীফ মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর কয়া চাদিং তৌখ্রে হায়না মহাক্না ক্লেম তৌখি। রাজেন্দরনা হায়, রুলিং পার্টিনা অতৈ পার্টিশিংগী লিদরশিং লৈনবা হোৎনরি।

টি আর এস অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিদগী রিজাইন তৌরগা হৌখিবা জুনদা বি জে পিদা য়াওখিবা রাজেন্দরনা হায়, টেলঙ্গনানা ষ্টেটহুদ ফংনবা কখোকপগা লোয়ননা হোৎনখিবশিং মশক উদ্রে। অমরোমদা টেলঙ্গনাবু বিত্রে তৌখিবশিং উবা ফংলি।

টি আর এস গভর্ণমেন্টনা হান্নগী কোংগ্রেস লিদর পি কৌশিক রেদ্দিবু লেজিসলেটিভ কাউন্সিলদা নোমিনেট তৌনবা লৌখিবা ৱারেপকী মতাংদা টেলঙ্গনাগী ইহৌদা শৌগৎখিদবশিংবু কে সি আরনা রিৱার্দ পীরি হায়খি।

## ওফলাইন এদমিসনদা লৌখিবা ফী হন্দোক্লবা কেললেজশিংদা খঙহনখ্রে



অমরাভাতি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): ইলিগেল ওইবা মওংদা অয়াবা য়াওদনা একাদমিক চহী ২০২১-২২গী ওফলাইন এদমিসনশিংগা মরী লৈননা খোমখিবা ফীশিং মহৈরোয়শিংদা হন্দোক্লবা অন্ধ্র প্রদেশ বোর্দ ওফ ইন্টরমিদিয়েট এদ্যুকেসন (বি আই ঈ)না জুনিয়র কোলেজশিংদা খঙহনখ্রে।

ইলিগেল ওইবা মওংদা ওফলাইন মোদতা মহৈরোয়শিং এদমিট তৌরিবা কোলেজশিং এফিলিএসন ককপা য়াওনা এক্সন লৌখৎপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা বোর্দকী সেক্রেটরি ভি রামাকৃষ্ণনা হায়খি, মহৈরোয়শিংদগী খোমগৎখিবা ফী কোলেজ মেনেজমেন্টশিংনা মহৈরোয়শিংদা খুদক্তা হন্দোক্কদবনি।

মহাক্না হায়খি, কোলেজ খরগী মেনেজমেন্টশিং অমসুং প্রিন্সিপালশিংনা ইলিগেল ওইবা মওংদা মহৈরোয়শিং এদমিসন তৌরে হায়বসি বোর্দনা তারে। অসিগুম্বা এদমিসনশিং এপ্রুভ তৌরোই।

বোর্দ অসিনা একাদমিক চহী ২০২১-২২দগী ওনলাইন এদমিসন হৌদোক্লি। অদুবু ওনলাইন এদমিসন প্রোসেসকী নোটিস ফাওবা থোক্ত্রিঙৈদা মহৈরোয় খরা কোলেজ খরদা এদমিসন তৌবগা লোয়ননা ফী ফাওবা থীখ্রে হায়বসি খঙলে। অসুম্না ইলিগেল ওইবা মওংদা এদমিসন তৌখিবা অমসুং কোলেজ ফী থীখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুগী রেস্পোন্সিবিলিটি বোর্দ অসিনা লৌরোই হায়নসু রামাকৃষ্ণনা ফোঙদোকখি। মহাক্না আর আই ওশিংদা অরান অহুই তৌরিবা কোলেজশিংদু খঙদোক্লবসু হায়খ্রে।

## 'এদমিসন এপ্লিকেসন মশিং য়াম্না লাক্লে'

হাইদ্রবাদ, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা তং-তাদবা ফিভম অমা লৈরিঙৈ মরকসিদা য়ুনিভর্সিটি ওফ হাইদ্রবাদ (য়ু ও ঐচ)তা মশিং য়াম্লবা মপানগী মহৈরোয়শিংনা এদমিসন তৌনবগী এপ্লিকেসনশিং থাজিল্লক্লে হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চান্সেলর প্রো. বি জগদিশোর রাওনা ফোঙদোরক্লি।

রাওনা হায়খি, চৎলিবা একাদমিক চহী অসিদা য়ু ও ঐচতা আই সী সী আরদগী পুন্না এপ্লিকেসন ১,৫১২ লাকখি। এপ্লিকেসন মশিং অসি হৌখিবা চহী অসিদা থাজিল্লকখিবশিংগা চাংদম্নবদা শরুক মঙাদগীনা মরি ফাওবা হেনগৎলবনি। মসিদা নত্তনা ফোরেন নেসনলশিংদগীসু এপ্লিকেসন ৪৫ রোম থাজিল্লক্লে। য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিরেক্টর ওফ ইন্টরনেসনল এফেয়র্স প্রো. এন শিবকুমারনা হায়, কুপ্না খন্নরবা মতুংদা একাদমিক য়ুনিটশিংনা চহী অসিদা তোঙান তোঙানবা কোর্সশিংগীদমক্তা আই সী সী আর এপ্লিকেসনশিংদগী ফোরেন নেসনল ১২৯ খনখি।

STOCK MARKETING, AN ATTITUDE TOWARDS HIGHER EARNING

Learn Stock Marketing Under Kanglei e-Traders

1. Fundamental Analysis
2. Technical Analysis
3. Option Buyer & Option Seller
4. And hidden Strategy

More details :- Contact # 9366060292 # 8974038519

HL-P/6396/6

MANIPUR TIMES IMPHAL
(A Leading Training & Placement Institute)
Govt Regd. Est:2016
Sangakpham Bazar Imphal East, Manipur

| Sl. | Name of Post | Vacant | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Bank Senior/Branch Officer | 20 | Any Graduate | 24000-58000 |
| 2. | Bank Loan/BDE Officer | 26 | 10+2 / Graduate | 19000-48000 |
| 3. | Bank BDM/ Relationship | 12 | Graduate/ MBA | 26000-66000 |
| 4. | Courier Cargo Officer | 33 | 10+2/Graduate | 18000-46000 |
| 5. | Airport Ground Staff | 60 | 10/10+2 | 18000-46000 |

Posting Place : Imphal & in Manipur, Northeast & all India
WE HAVE PLACED 132 more... CANDIDATES
Last date Apply : 9th August 2021
Date of Online Exam / Interview : 10th August 2021
N.B. Every process should be done online.
Interested Candidates may send your Resume / Biodata at 7627931722
HL-P/6397/6&7

## 'ভোট্টর লাখ অমরোম ভেক্সিন কাপত্রি'

পনাজি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সী): গোৱাগী মীশিং লাখ ১৫ হেন্না চাদা ১০০ ভেক্সিন কাপ্লবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হোৎনরকপদা মীওই লাখ অমরোম ভেক্সিন কাপকদবা ৱাৎলি হায়না চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্টনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সৱান্টনা গোৱাগী অহানবা দোজ ভেক্সিনেসন চাদা ১০০ জুলাই লোইবা ফাওবগী মনুংদা মপুঙ ফানা লোইবগী তার্গেট থমখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, দেটা কালক্যুলেসনদা হেল্থ মিনিষ্ট্রি ওথোরিটিশিংনা ওফিসল ভোটর লিষ্ট শীজিন্নবনা ভোটর কয়া ষ্টেট অসিগী মপানদা লৈদুনা মখোয়গী মশিং থারমদবা য়াই।

মীওই লাখ অমরোম ভেক্সিন কাপখিবসিগী মতাংদা কুপ্না খঙহল্লক্লবা হায়খ্রে হায়না সৱান্টনা ফোঙদোকখি।

অৱাবা ফোঙদোকচবা



কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎ লূপ কাংমোংগী মেম্বর ওইবীরম্বা ঙাঙোম ব্রোজেন মৈতৈনা হৌখিবা চৈচৎ ১/৮/২০২১ ইঙেনগী ২৩নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা মশাগী অনাবা অমনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবংপানবা মপূগী মফমদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক্তা থৌনীজখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু লূপ অসিনা শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : **ঙাঙোম মোধুমঙ্গোল মোইরাংচা**
সেক্রেটরি, কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎ লূপ, কাংমোং
HL-P/6393/6

/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/7035/15/7-15/9

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Manipur | 102,147 +757 | 91,847 +1,078 | 1,614 +8 |
| Maharashtra | 63.3L +6,126 | 61.2L +7,436 | 1.33L +195 |
| Kerala | 34.7L +22,414 | 32.8L +19,478 | 17,211 +108 |
| Karnataka | 29.1L +1,769 | 28.5L +1,714 | 36,680 +30 |
| Tamil Nadu | 25.7L +1,949 | 25.1L +2,011 | 34,197 +38 |
| Andhra Pradesh | 19.7L +2,442 | 19.4L +2,412 | 13,444 +16 |
| Uttar Pradesh | 17.1L +61 | 16.9L +45 | 22,767 +2 |
| West Bengal | 15.3L +826 | 15L +838 | 18,180 +10 |
| Delhi | 14.4L +67 | 14.1L +73 | 25,058 |
| Chhattisgarh | 10L +135 | 9.87L +109 | 13,531 +1 |
| Odisha | 9.82L +1,315 | 9.64L +1,630 | 6,168 +66 |
| Rajasthan | 9.54L +18 | 9.45L +27 | 8,954 |
| Gujarat | 8.25L +15 | 8.15L +28 | 10,076 |
| Madhya Pradesh | 7.92L +28 | 7.81L +12 | 10,513 |
| Haryana | 7.7L +27 | 7.6L +20 | 9,644 +3 |
| Bihar | 7.25L +46 | 7.15L +62 | 9,646 +2 |
| Telangana | 6.47L +623 | 6.35L +594 | 3,814 +3 |
| Punjab | 5.99L +62 | 5.82L +52 | 16,299 |
| Assam | 5.71L +1,065 | 5.53L +1,263 | 5,326 +19 |
| Jharkhand | 3.47L +30 | 3.42L +41 | 5,129 |
| Uttarakhand | 3.42L +37 | 3.34L +42 | 7,366 |
| Jammu and Kashmir | 3.22L +149 | 3.16L +127 | 4,385 +1 |
| Himachal Pradesh | 2.07L +243 | 2.02L +145 | 3,527 +4 |
| Goa | 1.72L +110 | 1.67L +90 | 3,153 +1 |
| Puducherry | 1.21L +120 | 1.19L +95 | 1,798 +3 |
| Tripura | 79,532 +244 | 75,817 +248 | 761 +4 |
| Meghalaya | 67,016 +521 | 60,375 +572 | 1,125 +7 |
| Chandigarh | 61,965 | 61,123 +3 | 811 |
| Arunachal Pradesh | 49,203 +319 | 45,630 +332 | 236 +2 |
| Mizoram | 42,083 +1,087 | 28,861 +684 | 157 +1 |
| Nagaland | 28,217 +145 | 26,317 +83 | 579 +2 |
| Sikkim | 27,342 +217 | 23,589 +213 | 349 +1 |
| Ladakh | 20,365 | 20,091 +4 | 207 |
| Lakshadweep | 10,231 +5 | 10,100 +14 | 50 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,541 +1 | 7,408 +3 | 129 |